**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-02-2026)**

**রামাদান (এল)ঃ** মুস্লিমশিংগী চাকহেন থা রামাদান ঙসিদগী হৌরে।

চাকহেন থা অসিগী মতাংদা পাউনা বজার ইম্ফালদা লৈবা জমা মসজিদকী পেস হমাম-মৌলানা জিয়াউদিননা চাকহেন থা অসিগী মতাংদা অসুমা ফোংদোরক্লি।

রামাদাননা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়-শেংলবা চাকহেন থা, মপু মাবু খুরুমজবা অসিনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদু পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা-মুখ্য মন্ত্রি যুমনাম খেমচান্দনা হায়-শেংলবা থা অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি ওইবা, মশা মউ ফবা অমদি চাওখৎপা ওইরসনু হায়রি।

কেবিনেট মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, খুরাইজম লোকেন, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এশিং-থোঙাম বিশ্বজিৎ, কোংখাম রোবিন্দ্রা, থোঙাম বসন্তা, হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জননচিংবনা মীয়ামদা মরুওইনা মুস্লিমশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল নেসনেল গেমস ভিলেজতা হাংলিবা অলটরনেট হাউজিং কমপ্লেক্সতা মনিপুরগী ইরাং অসিগা মরী লৈননা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি) শিংগা উন্নগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। মদুগী তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাংদা লৈবা কমৈখ্যা

পেমতোন কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা মফম অদুদা চংজফম লৌরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক মখা তানা চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা হিয়াংথাং তরাহৈ অৱাং লৈকাই চীংখোঙদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা হেন্দ গ্রেনেদ মরি, নোংমৈ মরু ১৫, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী টৌকিং মরি, ট্যুব লোঞ্চর অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লোইতাং লৈকিন্থাবী চীংশাংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি-মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরটিসভেন ঘটক রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, দবল বেরেল রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম অমসুং আই.ই.দি. মঙা য়াওরি।

তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা য়াঙৌবুংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনি ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শিংজমৈ চিংমখাদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমলোংগৈ মনিং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) গী মীওই অমা অমসুং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা থৌবাল ৱাংখেম ময়াইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি।

মখা তানা মনিপুর পুলিসনা মনিপুর সেন্ত্রেল জেলদা লোন্না মোবাইল ফোন পীদুনা পাউ ফাউদোক ফাউজিন তৌহল্লম্বদা চেন্নবা মীওই জেল অসিদা থবক

তৌবা মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন য়াওনা শিম কার্ড কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা হাপি মোলেন অমসুং চালজাংদা লম একর ২০ লোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা পুন্না খুৎশমরগা 'মেন এস এলাইসঃ এঙ্গেঞ্জিং মেন ইন ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোনশাং, মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. ফজাতোম্বী দেবী, মেম্বর-এস.কে. সোফিয়া, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেট দাইরেক্তর (ন্যুজ) কোঞ্জেংবম সোনিকুমার অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইগজকিটি অমদি চেয়ারপার্সন (ৱিমেন সেল) নোংথোম্বম রোমা শরুক য়াগনি।

**ইসিআইঃ** চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেশ কুমারনা হায়রি-অসাম বিধান সভা মীখলগী মতম অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি। মহাকা হায়-এপ্রিল থখায়দা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অদুগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ, বিহুগী য়েংলগা মীখলগী মতম লাউথোক্কনি।

রাজ্য বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগী শেম শারিবশিং য়েংশিল্লবা মতুং গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়-সিট ১২৬ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখলগী মতম কম্মিসননা মতম চানা লাউথোক্কনি।

মরক অসিদা, তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা মীখল অসি তাঙ্কক

অমখক নৎত্রগা অনি থোকা পাঙথোকবা দাবী তৌরক্লি। রাজনিতি দলশিং অসিনা মীখলগী থবক থৌরমশিং বোহাগ বিহুগী মমাংদা লোয়শিন্নবা দাবী তৌরি। ইলেক্সন কম্মিসনগী ফুল বেঞ্চকী মীহুৎ কাংবু অমা রাজ্য অদুদা নুমিৎ হুমনি লৈদুনা লাক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগী শেম শারিবশিং য়েংশিল্লি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেশ কুমারনা হায়-অসামদা হন্দক পাঙথোকখিবা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) অদুদা ৱাকৎ ৫০০ খক লাকখি। মহাকা হায়-ভোটর কোতি অনি মখায়রোমগী মনুংদা ৱাকৎ ৫০০ খক লাকপা হায়বসি রাজ্য অদুদা পাঙথোকখিবা এস.আই.আর. মায় পাক্লে হায়বসি তাক্লি।

**এনসিবিঃ** নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) না বেঙ্গলুরুগী ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী লুপা কোতি ২৩ গী মমল ওইগদবা কাণি কিলোগ্রাম মঙারোম ফারে। পোৎলমশিং অদু ব্রাজিলিয়ান মচা অমনা পুনবা হোৎনরম্বদগী ফাখিবনি।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী এন.সি.পি. বেঙ্গলুরু জোনেল য়ুনিটনা দোহা ফাওরগা সাউ পাউলোদগী বেঙ্গলোরদা থুংলরবদা মহাকপু ফাখিবনি। এজেন্সিনা হায়-পোৎলমশিং অদু হাপ্লকবগীদমক নুপীগী বেগ মরি শেমদোক্তুনা পোৎলমশিং অদু পুরকপনি। মীওই অদু ৱাহং পাউহং তৌনবা পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রে।

**পিএম (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিট ২০২৬ হৌদোক্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল য়াওনা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা ৱা ঙাংগনি। ইন্দিয়া এ.আই. সমিটকী মাংওইননা প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং নুমিদাং ভারত মন্দপমদা মালেমগী লুচিংবশিংবু

তরামা ওকখি। প্রধান মন্ত্রিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল-এনতোনিয়ো গুতারেস অমসুং ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দগী মেনেজিং দাইরেক্তরনচিংবা তরামা ওকখি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা মালেমগী লুচিংবশিং অসিগী চাকলেন অমা শিনখি অমদি মখোয়গা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বি.জে.পি. কুম্বী মন্দলনা শিনদুনা চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দবু তরামা ওকখিবা, সুগী ফিভম য়েংশিন্নবা হোম মিনিস্তর, গভনরদা তকশিনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-ফুরুপ অনিগী মরক্তা থাজনদবা লৈবনা চৎথোক চৎশিন য়াদনা লৈবনি। নাপৎতগী লাঞ্জেনলকপা আই.দি.পিশিং নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা ময়ুমদা হনজিলহল্লগনি হায়বা খেমচান্দগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিংগা লোয়ননা পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সুগী ফিভম য়েংশিন্নবা হোম মিনিস্তর, গভনরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংগী এদিটর-খোইরোম লোয়ালাকপা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিনদুনা এট্টেক তৌরম্বদগী অশোক অপন নংলে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোইরাংদগী ৱাংঙু ফাওবগী লম্বী অথুবা মতমদা শেম্বা হৌরগনি হায়না চীফ মিনিস্তর-খেমচান্দনা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা

ৱাফম মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ য়েংশিনখ্রে, আই.ই.দি. ৯ মাঙ তাকহনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ফেব্রুৱারীগী অরোইবা চয়োল ফাওবদা মিনিস্তর, এম.এল.এশিংনা সেন্সস তৌগনি তৌরোই হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ খঙহনগদবনি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা লাইসেন্স য়াওদনা আয়ুস অমসুং হারবেলগী হিদাক শুংলম্লবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়না আয়ুসকী দিরেক্তর-ডা: অকোহজম লোকেন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদা মীতোপ চংশিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংনা নাগাশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী এটেক চথরক্লিবা অসি মখোয়গী তোঙানবা হোম লেন্দ অমা তানবগী খোঙথাংনি হায়না এন.এস.সি.এন (আই.এম) না মরাল শিরকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিল মনিপুরনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী মিনিস্তর ইন-চার্জ অসি ত্রাইবেল এম.এল.এ. অমনা ওইহনবীনবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নৌনা শেম্লবা সরকার অসিগী কেবিনেট এক্সপান্সন তৌনবগী মতাংদা ৱারী শান্ননবা চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দ দিল্লিদা চৎলগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।